ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯲꯰, ꯲꯰꯱꯸, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯲ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯸ ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, এপ্রিল ২০, ২০১৮, ইম্ফাল
৪২ শুবা চহী, ২৮ শুবা মশীং

ক্কা মনা পুশিল্লকপা থিংবা

মায়কৈ ওন্ননা চৎতনবা লৈঙাক্লা য়েংশিনসি

নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা মণিপুরদা ক্কা চাবগী চৎনবী লৈরম্মী। অঙম-অথৌমক নৎত্রগসু য়ূমদা নোংফাদোক কনাগুম্বা অমা কোয়রকপা মতমদা ক্কা মতপ অমতং পীজবা হায়বসি চৎনবী ওইরম্মী। মসিগীসু মথক্তা হীদাক ঙান্থক অমা হাল্লগা মীগী থৌগল তৌবসু চৎনরম্মী। য়ূমগী অহল-লমনশিং নৎত্রগা ময়ূম-মকৈ পাল্লগা মীওই অয়াম্বনা চাকচা তোকপগা ক্কা মতপ অমা চাবা হায়বসি চৎনবী অমসু ওইরম্মী। নিংঙোল চাক্কৌবা নুমিৎতা নিংঙোলশিংনা ক্কা হায়বসি শোয়দনমক য়াওই অমসুং চাক চাবা তোল্লবা মতুংদা মবুং-মৌপ্পা, মমা-মপা পূন্না ফমিন্নরগা মতপ অমমম চামিন্নৈ। মসিদগী হেন্দোক্লদুনা লাইগী থৌগল তৌবা নৎত্রগা অহল-লমনশিংদা থৌরম অমা য়াওবীননবা হায়জবসি ক্কা তাঙ্গা অমা পুরগা কৎপা চৎনৈ। লাইগী থবক-থৌরম হায়বসি মঙানি লৈহুন, লান-থৌরম য়াওনা অতৈ থবক থৌরমশিংদা ক্কাগী চন্নফম মরাং কায়না লৈ। লুহোং-কৈহোংবা অমদি মঙানি লৈহুন নৎত্রগা লান-থৌরম্নচিংবদা মীপূম খুদিংমক ক্কা মতপ অমমম য়েনবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইরম্মী। অদুবু ঐখোয়না শীজিন্নরিবা ক্কা মনা নৎত্রগা ক্কাশিং অসি কদাইদগী লাকপনো, ঐখোয়গী শ্বাইদা ফংব্রা হায়বদুদি অয়াম্বনা নীংশিংনদে। চুম্মী মণিপুরদসু ক্কা হৌই, মনাসু থাবগী চৎনবী লৈরম্মী। তম্পাক লমদা ক্কা মনা থাবদা হৌই। মরুওইনা অশাবা লম ওইরিবা জিরিবামদা ক্কা অমসুং মনা মরাং কায়না ফংই। মীশিং য়ামখৎলকপা অমদি থৌদোক ৱাথোক য়াম্মকপা অমরোমদনা ক্কা থাবগী চৎনবী লৈশিল্লক্তবা অমসুং মনা য়োকখৎতুনা থম্নবগী থৌশিল লৈঙাক্লা শেমদবনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা ফংবা ক্কা অমসুং মনানা ঐখোয়গী শীজিন্নবা কোন্নরক্তে। হৌজিক্তি অয়াম্বা মতমদা মপান লৈবাক্তগী ক্কা মনা অমসুং ক্কা চবুন-চবুন মণিপুরদা পুশিল্লকই। মদু ঐখোয়না শীজিন্নরগা লাকই। হৌজিক্তি ক্কা মনা অমসুং ক্কা তাঙ্খৎলকপনা মরম ওইরদুনা লাইগী থবক-থৌরমশিংদা ফাওবা মমিংখক্তগী ওইনা কৎনরক্লে। মঙানি লৈহুন নৎত্রগা লান-থৌরম ফাওবদসু মীপূম খুদিংমক্তা ক্কা য়েনবগী চৎনবী তপ্না-তপ্না মাঙশিল্লক্লে। মদুগী মহুত্তা সিটামিসি, হোব অমসুং য়ুবী অকংবনা শেম্বা পেকেট মচা-মচা ওইনা মীয়ামদা থৌগল তৌরক্লে। মসিনা তাক্লিবদি ক্কাগী চনফম লৈরবসু পাম্বৈ লৈরক্তবদগী তপ্না-তপ্না শীজিন্নবগী চাং হন্থরক্লে হায়বসিনি।

মণিপুরদা মীয়াম্না চানরিবা ক্কা অসি মখল অনীনি। অমনা অয়াকপা মনা অদুগা অতোপ্পা অমনা অথুম্বা মনা অসিনি। অয়াকপা মনা অসি য়েলহৌঙৈদগীসু মণিপুরদা ফংই। অদুগা অথুম্বা মনা অসিদি মফমসিদা ফংদে। মশীং য়াল্লবা মীয়াম্না হৌজিক য়াম্না পাম্না চানরিবা জর্দা হাপ্লবা ক্কাশিং অসিদি অয়াম্বনা মপান লমদগী পুশিল্লকই। কয়াম শাথিনা পাম্না চানবগে হায়ববু ক্কা মতপ অমদা লুপা ২০ পীরবফাওবদা লৈরগা চানরি। লুপা ২০০ হেন্না পীবা ক্কা মতপ অমা চাবদা শেল পাম্মুবা লৈতে। তম্পাক লমদা খুন্দারিবা মীওই ১০০গী মনুংদা ৫০ রোমদি অসিগুম্বা মখলগী ক্কা অসি চাই। মতম অমদা মচা নিংঙোল থাজবা নৎত্রগা মচা-মমৌ হায়বা চৎপদা মহাক্কী মমা অদুদি জর্দা চাবীনি, অফাওবীনি হায়নরল্লীবনি। অদুবু ঙসিদি জর্দা চাদবা নুপী য়াওশিল্লক্ত্রে, চৎনবী ওইরক্লে, অরেম্বা অমদৌনা খন্নরক্লে। অদুবু ক্কা জর্দা চাবনা পীরিবা চৈথেং অদুদি মখোয় অমত্তনা নীংশিংদে। ক্কা জর্দা চারগা হকচাং ফৈ নৎত্রগা করিগুম্বা অমদা কান্নৈ হায়বা মচাক অমা ফাওবা অখঙ অহৈশিংনা পুথোকপা ঙমদে। মদুগী মহুত্তা কেন্সর পোকই, তোঙান তোঙানবা হীদাক মনাগী পোৎলমশিং চাবনা হকশেলদা কা হেন্না অমাঙ-অতা থোকহল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা চাদনবা ৱার্নিং তৌই। মসিগীসু মথক্তা ক্কাদা এদিক্ট ওইরবা মীওই অমনা নোংমদা ক্কা মতপ ৫ চাবা মতমদা লুপা ৫০/১০০ চাদিং তৌবদা হালেংবা লৈতে। নৌরিবী মৌনহাশিংনা মচা-মশুশিংগী লাইরিক-লাইশু তমহনবদা থাদগদবা শেনফমশিং চাদ্রবসু য়াবা ক্কা চাবদা শীজিন্নথোকই। ক্কা থিংবদগী চাবা তোক্লে হায়বা মীওই মণিপুরদা কনা য়াওখিবগে? পাম্বৈ লৈরক্তবা মতমদা ইমুংদা লৈবা পোৎলম য়োল্লগা ক্কা চাখৎলকই। চহী নৌরিবা মহৈরোয়শিংসু ক্কাদা, বুরখাদা এদিক্ট ওইরকই। অসুম্না খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বগী মশা-মউ ফনা থমগদবা কাঙলোন অদু কায়থরকই। মসি য়েংলগা লৈঙাক্লা ক্কা মনা মপান্দগী পুশিল্লকপা অমসুং য়োনবা থিংলকপনি হায়না লৌবা য়াই। তৌবদদি থিংগদৌরিবা ক্কা মনা অদু ইনাৎকা মরী লৈনরিবা ক্কা মনাশিংদি খরা মখৈ য়েংফম থোকই। ক্কা চাবদা হকচাং কা হেন্না মাঙই হায়রিবসি হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদুনি। হীদাক মনাগী পোৎলমশিং অদু থিংবা ঙমদ্রগা ক্কা মনাদা তাইনবা হায়বসিসু অচুম্বা নত্তে। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি, ক্কা মনা থিংননবা থোকখিবা য়াথং অসি মপূং ফাহনগে হায়বা তারগদি পান দুকান খরদা অথিংবা থম্বনা ওইবা য়ারোই। মসিদি ক্কা মনা লল্লোল্লিবা ময়াং শেল পায়ননবনি। মদুগী মহুত্তা জিরিদা, মাওদা, এয়রপোর্টতা অমসুং চুড়াচান্দপুররোমদা ওফিসলশিং মীৎশিং নাশিংনা থমসি। মদু নত্তনা শ্বাইদা ক্কা মনা থিংবগী মওং মতৌ অসিদি ক্কা য়োল্লিবা মীওইশিংনা মমল হেনগৎনা য়োনবা নুংঙাইনবনি, মসিনা মীওই খরগী অফবা শেন দাল লম্বী ওইহন্নবনি হায়জনীংই।

••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

কর্ম্মচারিশিংগী সভেন পে রিভিজন

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

ষ্টেটসিগী কর্ম্মচারিশিংগী সভেন পে রিভিজনগী খোঙজং অসিদা সেক্রেটরিয়েট, নন সেক্রেটরিয়েট লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্কী কর্ম্মচারি পূম্নমক্কা মত অমত্তা ওইনা চঙশিনমিন্নবা মথৌ তাই। মমাঙঙৈগী অহল-লমনশিংনা হায়নরম্মী, অচৌবা উ বিম অমা পালোংদা থাঙ্গৎপদা মীওই খরনা য়েংদুনা লৈরগা খরনা থাঙ্গৎলবদি অৱাবা ওইবদা নত্তনা ঙমহৌদ্রবদি নন্দুনা শিবা তাবনি, য়েংবগী মহুত্তা পুল্লপ মান্নদুনা থাঙ্গৎমিন্নরবদি অৱাবসু ওইরোই, য়াম্নসু লায়না থাঙ্গৎপা ঙমগনি।

লৈখিদ্রবা আর কে জয়চন্দ্রনা চীফ মিষ্টির ওইবা, সেন্তরদা লৈখিদ্রবা রজিব গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা মতমদা ষ্টেটসিগী কর্ম্মচারিশিংগী অহানবা সেন্ত্রেল পে (ফোর-পে-রিভিজন) ফংনবা এমটুক অমসুং এম জি ওগী জে এ সীনা সিজ ৱর্ক ষ্ট্রাইক নুমিৎ তরানিরোম চথুরবা ফাওবদা মতমদুগী লৈঙাক্কা ষ্টেটসিদা সেন্ত্রেল পে পীবা ঙল্লোই হায়দুনা শিখাং খাংখিবদগী ষ্টেটসিগী ইসেন্সিএল সার্ভিস, মৈ-ঈশিং, অনা-লায়েংশঙশিংগী কর্ম্মচারি পূম্নমক্কা লৈঙাক্তা দেট লাইন (মতম অমা পীরগা) থারগা মৈ থাররোই, ঈশিং থাররোই, অনা-অয়েক লায়েংলরোই, এক্টিভ সার্ভিসতা লৈবা কাঙবুনসু গন-দাউন, নোংমৈ বেরেক্তা থমজিল্লগনি হায়না কর্ম্মচারি খুদিংমক্কা লৈঙাক্তা মুকপদগী লৈঙাক্কসু খাঙবা ঙমদবদগী ষ্টেটসিদা অহানবা সেন্ত্রেল পে ফংবা ঙমখিবনি। ফিফ পে রিভিজনসু লৈখিদ্রবা দল্লিয়ু নিপামচানা চীফ মিনিষ্টর ওইবা, ষ্টেটকী শেল থুমগী ফীভম ফৎতবা (ওভর দ্রাফ) মতমদা চীং-তমগী কর্ম্মচারি খুদিংমক্কা মত অমত্তা ওইনা মান্নদুনা ফংখিবনি। অমত্তা ওইনা চপ মান্নরবদি ফংলোইদবগী মরম লৈতে, লৈঙাক্কসু খাঙবা য়াখিগনি-য়ারোই খঙলিবনি। লৈঙাকসু সেন্ত্রেল কর্ম্মচারি, ষ্টেটকী কর্ম্মচারি চপ মান্নৈ খনবীগদবনি। সেন্ত্রেল পে পীবা হৌখ্রবনি। পীফম থোকই, ফংফম থোকপা হক তানবদা লৈঙাক্লা উরৈ-পারৈ তৌদুনা লৈফম থোক্তে।

অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭০

১। ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী নিংথৌশিংনা ফাখিবা কৈশিংগী মনুংদা তৌবুলদা ফাখিবা কৈ অদুনা খ্বাইদগী চাউই হায়নরি।
(ক) করম্বা নিংথৌনা কৈদু ফাখিবগে?
(খ) কৈদু ফুট কয়া শাংবগে?
২। “কিগনু/লিন নত্তে/ঐগী কবিতানি/ঙাইহাক্তা থনমগে নঙোন্দ।” পরেংশিং অসি কবিরত্ন লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৩। কবি থাংজম ইবোপিশকপু মণিপুরী শৈরেংগী লানলুম্বা কবি হায়না অইবা অমনা কৌখি। অইবদু কনানো?
৪। “নবুক অদুক ফত্তবদি/নহাক্কী ফি মখৈ লৌশিল্লগা ঐগী ফনেক্তুনা চোৎহল্লবনি।... কৈদৌগে ঐগীসু চৈ অমত্তনা ওইরবসু... লৌশিনবীরম্বা য়াইদনা।” পরেংশিং অসিনা ‘অধিকার মান্নবা’ কৌবা ৱারীমচা অমদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৫। ‘ঐগী দায়রিদগী’ কৌবা নীংশিং ৱারী লাইরিক্তুগী অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম এপ্রিল ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

অৱাগীনা ৱাটর ফেষ্টিবেল অদুগা মণিপুর মচাগীনা ৱাইন ফেষ্টিবেল

অওনবা মালেম

সৌবাম তোম্বা লুৱাং

তমুদা ৱাটর ফেষ্টিবেলগী শক্তম খরা



ঙাইহাক্তংদি খল্লুই ঐখোয়না লৈরিবসিবু কদায়দনো? ইরমদনিদা! নুংথিল পোবোপ্তা চঙক্লরে অৱাং কদোম মখা কদোম। মাইক্রফোন্দা মীয়াম তানবা লাউরল্লিবনি ‘সাউন্দ বোক্সতা ঈশিং চাইশিনবীগনু। মণিপুরদগী লাকপশিংদা হায়জরি মদুদি সাউন্দ বোক্সতা ঈশিং চাইশিনবীগনু।’ মীতৈলোলনা হঞ্জিন-হঞ্জিন লাউরিবনি মাইক্রফোন পায়রগা মতম অমগী য়েক্লবা অৱাগী লৈমায়দা। মসিদবু করম্না খল্লোইদৌরিবনো ঐখোয়না লৈরিবসিবু কদায়দনো! অৱাগী লৈমায়দা বর্ম্মা মরোল অমত্তা তাখিদে ঙাইহাক্তংদি। তাঞ্জা অদুদা ৱাখলবু চাউখৎলকই, ঙাইহাক্তংদুদা খনগৎলকই থায়না চহী তরেৎ খুন্তাকখিবদুগী খুলং-লমন শিংলক্লবজাৎলা। অঙকপনি মতমগী অওনবা।

কুমসি চহীগী ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাউবগা মরী লৈননা মোরে চৎপনি। লাইশঙগী মমাঙদা লৈরিবা মান্দব অদুগী মোজাইক থারিবা লৈমায় অদু লূ-নানহন্নবগী পোৎ চৈ পুদুনা চৎপা খোঙচৎ অমনি। মরুওইবা থৌদাং লৌরুবা নত্তে মশা ওইনা খোঙবু ওইনা য়াওরুবনি। মোরেবু য়ৌরদি হৌনবিনি কৈথেল কাবা। নীংবা কায়রে কৈথেল ফম্লমদ্রে ঙমখৈ লৈবাক অনীগী হাংবা কৈথেলদু। ম্যান্মারগী কুম্মৈ ৱাটর ফেষ্টিবেল তৌরি। কুম্মৈ লোইদ্রিফাওবা কৈথেল হাংলোই হায়রে। কয়ামুক চাউবা কুম্মৈনোনে? য়েংনীংবা ফাউগৎলক্লে। য়াওশঙগা কনানা চাউবা হেনবজাৎনো। ঙমখৈ অসি শম্নহল্লিবা থোং অদু লান্দুনা ম্যান্মারগী তমুগী লৈমায়দা দক খোঙদায়। ৱাটর ফেষ্টিবেল, হা-হা-হা...। ঈশিং চাইশিল্লকই লম্বীগী নাকলদা লৈরম্বা অৱা পাখঙ-লৈশাবীশিংনা। খুদক্তা ঈরুজরে। ঈরুজবখক্তা নত্তে পুখ্রিদা তাদুনা পুল্লুপ-লুপ্পগা চপ মান্নরে। লম্বীগী নাকন্দা ঈশিং বালটিন-বালটিন, টৈক্কি-টৈক্কি খিল্লগা থম্মী। পাখঙ-লৈশাশিংনা ঈশিংদু কল্লগা অচৎ-অওকশিংদা ঈশিং চাইশিনবনি। মসিবুনি ৱাটর ফেষ্টিবেল। কালেন থা ওইবগী মথক্তুদা অশাবা লম ওইবনিনা ঈশিং চাইশিল্লকপদু নুংঙাইবদি ফাওই। চাইশিল্লক্লিবা ঈশিং অদুদি য়াম্না লুবা নানবা টৌটিগী ঈশিংনি। পাক্লবা লম্বীদু ঈশিংনা পুমচোৎ চোৎখি। মীনা চিক্লি-চাইনা ঙমদবমখৈ চিল্লি। গাড়ী মখোঙ মরি পানবা অমদি মখোঙ অনী পানবশিংসু য়াম্না থৌই। মদুগী খোঙবা হোর্ন মখোলনে মীয়ামদুগী লাংবা, ঈশৈ খোংবগী মখোলদুনা নাকোং শিংজা য়ৈরে। ইনখৎলকপা পাখঙ লৈশাবী ঙাক্তনা অয়াম্বনি মদুদা ঈশিং হৈনরিবদু। মশাদু পুমচোৎ-চোৎলে। শেৎ-চারিবা ফি-রোলশিংদুসু কালেনগা ওইবনে অপাবা অকৌবা অকোৎপা ঙাক্তনি। মোটোর সাইকল অমদা পাখঙ-লৈশাবীশিং পূন্না অহুম/মরি তোংদুনা কন্না কন্না থৌই মশাদু পুমচোৎ চোৎনা। পোৎ চৈ পুনবা টাটা পিকঅপ ভানগুম্বা গাড়ীশিংদা পাখঙ লৈশাবী পীক থন্না তোংশিন্দুনা কোয়থৌ থৌই হোর্ন কন্না খোংলগা, ঈশিং কাপশিন্দুনা, চাইশিন্দুনা, লাংদুনা। মসিনি ম্যান্মারগী ৱাটর ফেষ্টিবেল হায়বদু।

তমুগী পাক চাউরবা শিৎ-নাল্লবা লম্বী অদু পাখঙ-লৈশাবীশিংনা পীক থল্লি। ঐখোয়গা য়েংনবদা শক-চু চপ মান্নৈ করিসু খেন্নবা লৈতে। শক-চু মান্নজরবসু মীরমনি, অৱানি, লান্নীনা লৈঙাকপা লৈবাক অমনি হায়দুনা থম্মোয়দা খরা কিজবা অমদি ফাওখি। অদুবু ঙাইহাক লৈরগদি লম্বীগী চিদাই অমদা মীতৈলোল লোনবা মীওই খরা উবা ফংলকই। মীতৈ মচা ওইরম্মী। মদুদা খল্লুই মখোয়শিংদুসু (পাখঙশিংদু) ঐখোয়গুম্না কোয়বা লাক্লিবজাৎনি হায়না। লম্বী অদুদা অসুম চৎলি মীতৈলোল ঙাঙবা মীগী মশীং হেনগৎলকই অসুম-অসুম। মোটোর সাইকল তোংবা পাখঙ-লৈশাবীশিংসু মশাদু ঈশিংনা পুমচোৎ-চোৎনা মীতৈলোল ঙাঙবা উরক্লে। পাক-চাউরবা তমুগী সনা সরক য়াংবীথক্ত মীতৈলোল ঙাঙবা মী ঙাক্তা উখৎলক্লে। মসিনসু লোয়বা নৎত্রি মীতৈগী থৌদাং ম্যান্মারগী ৱাটর ফেষ্টিবেলদা। ঐখোয়গী লমদমসিগী লম্বীদা লমজাউদা লৈরক্তা য়ু ঙাওরগা চৎপা অদুগুম্না তমুগী মী চিল্লবা ৱাটর ফেষ্টিবেল তৌরিবা লম্বীদুদা য়ু ঙাওরগা মশাদু হাই-হাইরগা লাং-লাংদুনা চৎপা মীতৈ মচাশিং উবা ফংলক্লে। মদু ফাওবদি থাজরুদে। অদুবু করম্না থাজরোই মীৎমাংদা তরং-তরং থোক্লরবদুদদি মখোঙশিংদু কারন চন, লৈয়েংদু ফায়রি মমিৎতু নুংশিনা তরু-তরু পাঙজরদুনা। মীওই কয়া অমদি ৱাটর ফেষ্টিবেল য়েংবা লাক্লগা ৱাটর ফেষ্টিবেল য়াওরমদ্রে। মশাদুসু তমুগী লুরবা লাইজ-ঈশিং মরীক অমত্তা চোৎলমদে। মখোয়গী তাইবঙপাল অদুনা অতোপ্পা অমনি। মপানথোংগী হকচাং পোলাংদুদি নুংশাগী মৈশানা পুমকং-কংলবসু থম্মোয়নুংদি পুমচোৎচোৎলি। মখোয়শিংদুদি য়ু ফেষ্টিবেল হায়গদ্রা ৱাইন ফেষ্টিবেল হায়গদ্রা মদু য়াওবা লাকপনি। শিনফম মান্নদে, কুম্মৈ মান্নদে, চিঞ্জাক মান্নদে। তমুগী লম্বীগী মতাইদুদা য়ুগী দুকান য়াম্না হাংই। মখল মখলগী য়ু মখল মখলগী মহাউ য়াওরবা য়ু ঙাক্তনি অতেনবা, অশাংবা লিক্লিন্দা হাপ্লবা য়ু ঙাক্তা। শেলগী ভেল্যুসু ঐখোয়না খরা ৱাংবনিনা লৈরগা য়ু ফেষ্টিবেল তৌথরে ৱাটর ফেষ্টিবেল মরক্তুদা। ইংলিসতগা হায়রগা টু ইন ৱানকা হায়বা অদুনি। মশা চোৎতনা লম্বীগী চিদাইদা ৱাটর ফেষ্টিবেল তৌবশিংখক্তরা হায়না খল্লুই অদুগদি ইরুজরবা পাখঙ লৈশাবীশিংদুসু ফেষ্টিবেল অনীমক য়াওরল্লে। অঙকপা ফেষ্টিবেলনি কুইর-কুইরগা জাৎ-জাৎ উরকই, কুম্মৈ নুংঙাইবা হেঙ্গৎলকই। নুংবুদি নুংঙাইখ্রবজাৎনি করিনা হায়ববু হাউরবা য়ুদু অমুক খরা থকচিন নিশা খরা অমুক পানখৎলক মোটোর তোংলগা ৱাটর ফেষ্টিবেল অমুক য়াওবা। মদুগী নিশাদু অমুক হন্থখিবা ঈশিং কাপশিল্লকপদা। অদুগা অমুক য়ুদু খরা অমুক থকচিনবা। থর্মোমিটরগী মার্করিদু অইং অশাগী চাংদুগী মতুংইন্না অকা-অকুম তৌবা অদুগুম্বনি। ম্যান্মারসু অয়াবনি ঙা ফানবা লূ থুম্বদি হৈনৈ। ৱাটর ফেষ্টিবেলগীনি হায়দুনা পোৎ চৈ য়োনবা দুকান পূম্নমক থোং লোল্লি। অদুগা য়ু য়োনবা দুকানদি থোং হাংই। অদুগা য়ুদুসু দুকান মনুংদগী মপান্দা থাংদোরক্তুনা থম্মী হেক য়েংবদা উননবা হায়দুনা। মসিবু মীতৈ মচাশিংবু শুম্বা নত্তে করম্না হায়রোই। মদুদদি কংলৈপাককী চরাম্নরবা ঙাশিংদুদি কুইদে থুখিবা । মসিনা ওইবা তাই চহী তরেৎ খুন্তাকখিবদু। মদুদগী খঙখিবা ওইরমগনি লূ-থুম্বা খোই চোপ্পা য়াই হায়বসি।

উরক্লে, খঙলক্লে ঈশিংনা ঈশিং, শঙ্গোম্না শঙ্গোম হায়বদু তমুগী লম্বী ময়ায়দা। লম্বী ময়ায়দুদা ঈশৈ শকনবা ষ্টেজ য়াম্না চাউনা শাদুনা থল্লগা ঈশৈসু খোংই/থাই অদুগা মথক্তুদগী ঈশিং হৈথরকই। ইখঙ খঙহৌদনা য়াম্না হৌনা লাউথোরকই লেপ-লেপমুক ৱাংবা সাউন্দ বোক্স অদুদা ঈশিং হৈজিনবীদনবা। ষ্টেজদুদা য়েংখৎলুবদা পাখঙ মচা অমনা মীতৈলোলদা লাউদুনা লৈরম্মী। মণিপুর মচাশিংনা ৱাটর ফেষ্টিবেলনি হায়দুনা ষ্টেজ মথক্তুদা ঈশিং চাইখৎলুরবজাৎনি। মদুদা চাউরবা সাউন্দ বোক্সতুদা ঈশিং চোংবদগী অৱা মচাশিংদুনা মীতৈ মচাশিংদুদা তানবা হায়দুনা মীতৈলোলদা খরা লাউথোকপীয়ু হায়বদগী লাউথোরকপজাৎনি। অদুবু মাইক্রফোন পায়খ্রবনিনা মীতৈলোলগী ঈশৈকা শক্লককদ্রা হায়দুনা পাখৎলুই। মদুমক্তি তৌরক্ত্রে। মীতৈলোলদা হন্না হন্না লাউথোরকপদুদদি মীতৈ লৈকায়বু মাল্লুরে। অৱাগী ৱাটর ফেষ্টিবেলদু মীতৈ মচানা ওইনা তৌবিরুরে। ঐখোয়গী কুম্মৈ ওইনবু মাল্লুরে। ঐখোয়না অৱাদা শেল য়াম্না হুন্দোক্লুরে অরেম্বদা। অৱা মনুংদা চঙনবা গেট নম্বর ১দগী লৌবা গেট পাসকী মমল লুপা তরা ওইরম্বদু লুপা কুন্দা হেনগৎলি কুম্মৈসিগী মীয়ামসি উবদা। গেট নম্বর ১দগী ওটো তোংবগী মমল লুপা কুন পীরম্বদু লুপা য়াঙ্খোদা হেনগৎলি। কনাসু করিসু হায়নদে। তমুদা চারিবা, থল্লিবা পোৎকী মমলশিংদু য়াম্না হেনগৎলবনি হান্না পীরম্বা মমলদগী। অদুগা অমুক মোরে কৈথেলদগী গেট নম্বর ১ য়ৌবদা ওটো তোংবগী লুপা তরা পীরম্বদু লুপা কুন্দা হেনগৎলি। গেট নম্বর ১ য়ৌগদবা খজিক্তং ৱাৎলিঙৈদা লম্পাক অমা লৈরম্মী। মদুদা কার ময়াম, গাড়ী মচা ময়াম খামদুনা পার্কিং ওইদুনা লৈরম্মী। খল্লুই সঙাই ফেষ্টিবেল য়েংবা লাকপগীদু ওইরবোই নীংলুই। হংলুবদা ৱাটর ফেষ্টিবেল য়েংবা ইম্ফালদগী লাকপশিংগীনি হায়রকই। লোইরে ৱা মশ্বাইসিদা। মোরে কৈথেল ত্রাফিক জাম থোকই। হোটেল পূম্নমক মীনা ইন্নখি, লৈফম লৈতে। নুংথিলগী পুং অহুমগী মতুংদা ইম্ফালদগী পাখঙ লৈশাবী কয়া ৱাটর ফেষ্টিবেলগী ফিজোল শেৎ চারদুনা থুংলৈ মোরেদা। হোটেলদা অহিং য়ারেকপা নোংঙানবগী অয়ূক্তা তমুদা থুংলুগদৌরিবনি ঈশিংগী তাম্বাদা ৱাটর ফেষ্টিবেল য়াওবা। ৱা লোইরে মশ্বাইসিদা।

ইমা কোন্দোং লাইরেম্বী হরাউবা হৌরে। অদুবু পুমচিক চিক্লনি, ত্রাফিক জাম থোক্লোই মোরে কৈথেলদা। ইম্ফালদগী পাখঙ লৈশাবীশিং কুম্মৈ য়েংবা হাইথনরোই। মসিমসু লোইরে ৱা মতাংসিদা। অদুবু ঐখোয়বু তাশিন খোমজিন্দুনা মমল লৈনা হিংহল্লিবসিদি লাই হরাউবসু য়াওরিবনি। ৱাটর ফেষ্টিবেলদুনা ঐখোয়বু চহী তরেৎ ওৎলম্বা ফুরুপ্তুগীনি।

পে-রিভিজনগীদমক ইরাং হৌবা, মহৌশারা?

মতম মতমগী ৱাফম

সেঞ্জম দেবেন

মণিপুরদা চহী ১০/১০ খুদিংগী মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী থাগী খূৎশুমলশিং রিভাইস তৌনবগীদমক থৌমীশিংনা ঈরাং হৌবা হায়বসি চৎনবী অমা ওইরক্লি। ঈরাং হৌদ্রিমখৈ থোয়দোক্লা থবক পাঙথোক্লবা নৎত্রগা পাঙথোক্লবগী হোৎনবা পাক থেংনদ্রি। ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা লৈবা ময়ায় লৈঙাক্কী লোইশঙশিংগী থৌমীশিংগী খূৎশুমলশিংদি নহান্নবা ৭লক শুবা ওইনা রিভিজন তৌখ্রবনি। পীদবা শুকয়ামক য়ারোইদবা, ঙাইহাক খক থাংদোক থাংজিনগী ৱাফমদা মণিপুর লৈঙাক্লা অঙম-তান্নদুনা, পীরোই হায়বগী ফিরেপ্তা লেংদনা লৈবা হায়বসিসু চৎনবা য়াবা থৌদৌ অমদি নত্তে। মদুগী মহুত্তা নিংথিনা শেগা-মাইগা তানদুনা, লৈঙাক্কী ফীভম্না করি, ৭লক শুবা খূৎশুমল রিভাইসকীদমক তান্নরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী অপাম্বনা করি হায়বদু ময়েক শেংনা খঙদোকমিন্নরগা অনীমক্কী ওইবা ওইথোকপা য়াগদবা ফিরেপ অমা লৌমীন্নবগী তঙাইফদবদু লৈব্রা খল্লি। মদু নত্তদুনা, হুন্নবা তারবদি, নাকল অনীমক্কী লৈতুম ৱাৎনদবসু য়াই নৎত্রগনা অশোকপা অমদি য়াওনরকপসু য়াই। ফীভমসিমক্তি অনীমক্কী ওইনা অফবা থৌদৌ হায়বদু ইওইমক ওইদে। অনীমক্কা, ফীভম্না য়ারক্তবনি হায়দুনা খজিক-খজিক খন্থমিন্নরগা থৌদৌসিমক থোকহন্দবদি ফৈ। মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাফমসি তশেং-তশেংনা, পীনীং-পীনীংনমক পীবা ঙমদ্রিবরা নৎত্রগা পীথোকপদা অকায়বা কয়ামুক লৈরিবনো হায়বদু মণিপুর লৈঙাক্লা থৌমীশিংগী মফমদা পুকচেল শেংনা খঙহনবীফম থোকই। ফীভমসিদা, মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী মায়কৈদসু তান্নরুরগা ফংদবা, ইকায়খুম্নবা মাঙলগা তোকহৌবগী থৌদৌদুদি খক তারগা তোক্লিংলোই। তঙাইফদনা তাল্লিবা দিমান্দু ফংবা অমা নৎত্রগা য়ানবা অমগী মখাদা মতম খরা পোত্থারগা ঙাইনবা অমা অমদি শোয়দনা ওইদবা য়ারোই। হীরমসিদনি ঙসি মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা শিন-থুংনা, ৱাওরি-ৱাওরি নৈনরক্লিবসি। নৈনরক্লিবসিগী মহয়সু লৈগনি। ঐখোয় মতম খরদং ঙাইমিন্নখিসি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী, মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা মণিপুর লৈঙাক্লা পীবা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী থাগী খূৎশুমলশিংদা ইপেন হেক পেন্দদুনা লাকই হায়বা ৱাফমসি হায়মনবা খক থোক্লোই। অদুগা মায়কৈ অমরোমদনা, মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী থবক খূৎশু মওংবু নোংমতা পেল্লি খক হায়রকত্রি হায়বসিসু হায়মনবা খক থোক্লোই। হীরমশোমদা নৈনরুবদি অনীমকসি লানফম অমগী নাকল অনীদু ওইনা উরক্লি। মণিপুর লৈঙাকসি হান্না কনানা পায়রম্মী অমসুং করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগী লৈঙাক অমা ওইরম্মী, হৌজিক্লা কনানা পায়রি অমসুং করম্বা পার্টিগী কাঙলূপ্পা মণিপুরদা লৈঙাক্লি হায়বদু নৈনরুবগী মথৌ থোয়না তাদবরা খল্লি। মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা তাল্লিবা ৭শুবা থাগী খূৎশুমলগী রিভিজনসি মীশক-মীমাই য়েংলগা অমদি পার্টি খল্লগা দিমান্দ তৌবা নত্তে। মতম-মতমগী ওইরকফম থোকপা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী মথৌ তাবা থাগী খূৎশুমলশিংগী রিভিজন্দু মতাং চারকপা মতাংদা তানবনি। রিভিজনসি পীফম থোকপা অমনি হায়বদুসু অচুম্বনি। হৌজিক-হৌজিকমক মণিপুর য়াওনা অপূনবা লৈপাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী থাগী খূৎশুমলশিং পূম্নমক মাঙজৌননা হান্ননা রিভাইস তৌখ্রবনি। তৌইগুম্বসুং, ষ্টেট লৈঙাক্কী থৌমীশিং ওইরুবনা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী রিভিজনদি মণিপুর লৈঙাক্কী ওইবা থৌশিল-থৌরাং অমগী মখা পোন্না লৈহৌবগী ৱাতনি। ফীভমসিদা, হীরমসিগীদমক লৌরকপা মণিপুর লৈঙাক্কী ইন্টরেষ্টকী চাংদু য়েংলগা, মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা পেন্দবা পোক্লকপদগী দিমান্দ ওইনা খোঙজংসি চঙশিল্লকপনি। মখোয়গী থাগী খূৎশুমলগী ৭লক শুবা রিভিজনগী থৌদৌদু মমাঙদা হৌখিবা রিভিজন কয়াগী থৌদৌশিংগুম, শোয়দনমক্কী তকশিন-তানশিনবা অমা য়াওদনদি কৈদৌঙৈদা খক, মণিপুর লৈঙাক্লা মশা খঙনা, তৌথোকচরক্লোই খল্লকপদগী মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংনা থৌদৌসি চথরকপা ওইরমগনি। মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী অপূনবা লূপশিংগী ৱারেপসিসু লাল্লি হায়রুবদি চুম্লোই। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ফীভমশিংসিগী মতুং ইন্না, মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী থাগী খূৎশুমলগী ৭লক শুবা রিভিজনসি খুদক্তগী হৌনা পীথোকপীবা য়াবা পোৎশকশিংগী মনুংদা অমদি চপ-চানা ওইরি হায়বসিসু অচুম্বনি।

7th PAY
COMMISSION

মমাঙ-মমাঙগী খূৎশুমল রিভিজনশিংগী হাকথক্তা মতম-মতমদুগী পাল্লম্বা লৈঙাকশিংদুনা থল্লম্বা চৎনবীশিংদু ঙসিসু পার্টি হোংগেরা, লৈঙাকপশিং হোংগেরা, মণিপুরদা ইখেন-খেন্নবা লৈতনা অদুম্মক চথুদুনা লৈবগুম উনরি। অসিগুম্বা থবক-থৌরমশিংসিগীদমক নত্তবরা, মণিপুরগী মীচম লাক্ষ ২৫ রোমসিগী মনুংদা অয়াম্বা শরুক্লা, পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাকসিগীদমক ইলেক্সন ময়াদা, অওনবা-অহোংবশিং পুরকসি হায়দুনা লাউমিন্নখিবদু? মতমদুদা থৱায়-হকচাং য়াওনা মশাগী ভোটিং রাইটশিং শিন্নখিবা মীশকশিংদুগী দিমান্দ নত্তবরা ঙসিগী মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী ৭লক শুবা খূৎশুমল রিভিজনগী দিমান্দসিসু? থৌদৌশিংদুগী মহয়রা ঙসি মণিপুর লৈঙাক্লা মশীং য়াল্লবা মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী মফমদা খূৎশুমল রিভিজনগী মতাংদা য়েংবীরিবা লায়থোকপীরবা মানবা মিৎয়েংসি? হীরমসিগী মতাংদা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন খজিক-খরাক, লৈঙাক্কী থৌমীশিংসিগী অপাম্বগী মায়কৈরোমদসু নকশিনবীরকপা ঙসিগী মণিপুর পূম্বগী মীচম-মীয়ামশিংনা পাম্নরি। ৱাফমসি ঙসি পাল্লিবা মণিপুর লৈঙাকসিনা কাউথোকহন্নীংদে। মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরগী থৌমীশিংগীদমক পীফম থোকপা খূৎশুমল মতিক চানা পীথোকপীবা, তৌবীফম থোকপা রিভিজন মতম চানা তৌথোকপীবা অমসুং খূৎশুমলশিংদুগী মতুং ইনবা চানবা মথৌশিংদু মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংবু মতিক চানা পাঙথোকহনবা, থৌদৌশিংসিদা অকায়বা থোয়না লৈরোই খল্লি। মীয়ামগীদমক খনবা লৈঙাক অমগী মচত্তু মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী হন্দক্কী খূৎশুমল রিভিজনগী মতাংসিদসু মচেৎ অমত্তং ওইরবসু লৈঙাক্কী থৌমীশিংদা উখোকহন্নীংই। পাল্লিবা লৈঙাকসিগী মচৎশিং অমসুং থৌওং-থৌদাশিংদা মণিপুরগী অপূনবা মীয়ামসিনসু মীনুংশি ফাওগদৌরিবনি অমসুং মীয়ামগী মীনুংশিনা লৈঙাক্কী মপুন্সি লেপকদৌরিবনি। দিমোক্রেসি চৎপা লৈপাক অমগী লৈঙাক্কী মপুন্সি, মথ্বায়-মমি পূম্নমক লৈপাক্তুদা লৈরিবা মীয়ামদুগী খুবামুংদা চেৎনা লৈ হায়বা ৱাফমসিদি পাল্লিবা লৈঙাকসিগী লৈঙাক্লোয় খুদিংমক্কসু থোয়দোক-হেন্দোক্লা খঙবীরল্লগনি খল্লি। লৈঙাক হায়বসি মীয়ামগীনি, মীয়াম হায়বসি লৈঙাক্কীনি। লৈঙাক্লা মীয়ামগী মমা-মপানি অমসুং অশেংবা ৱাখল্লোন অমরোমদদি লৈঙাক হায়বসিগী অশেংবা মমা-মপাদি মীয়ামনি, মীয়াম্না লৈঙাকপু পোকপীবনি।

অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু, মণিপুরগী লৈঙাক হায়বসি মণিপুর পূম্বগীনি, অপূনবগীনি। তাল্লিবা দিমান্দ খুদিংমক মণিপুর লৈঙাক্কী মীনুংশি অমসুং থবক-থৌরমশিংগী মখা পোনগদৌবা ঙাক্তনি। হন্দক্কী মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী ৭লক শুবা খূৎশুমল রিভিজনগী মতাংসিদসু, মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরগী থৌমীশিংসিগীদমক খনবীরগা উখোকপীরকপা মীনুংশিগী সিগনেল, মীনুংশিগী মীৎয়েং খরদু মণিপুর লৈঙাক্কী থৌমীশিংগী ইমুং-মনুংশিং য়াওনা খৌরাংনা ঙাইনরি হায়বসিসু মণিপুর লৈঙাক্কী মফমদা খঙহন্নীংই। থম্বীবা য়াবা থম্বীরগা মণিপুর লৈঙাক্লা মণিপুরগী থৌমীশিংগীদমক তৌবীরকপা য়াবা খরখক্তু মণিপুরগী মীচম-মীয়াম অপূনবসিনা খৌরাংনা ঙাইনরি হায়বসিসু মণিপুর লৈঙাক্লা নীংশিংহন্নীংই।